# নেস্লেল মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরনা পূন্না মেদল ২২১ ফঙদুনা ওভল ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ মাষ্টর এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী ১৪ ফাওবা ষ্টেট ২৭ দগী লাকপা পূন্না এঠলেট ৪০০০ রোমনা শরুক য়াদুনা চথরকপা ৪১ শুবা নেস্লেল মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০দা মণিপুরনা গোল্ড ১১৫, সিলভর ৬১ অমদি ব্রোঞ্জ ৪৫ পূন্না মেদল ২২১ দা পোইন্ট ৭৭৭ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে। অসামনা পূন্না পোইন্ট ৬৬৭ ফঙদুনা অনীশুবা অমদি তামিল নাদুনা পূন্না পোইন্ট ৪০৫ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা মণিপুরনা পূন্না পোইন্ট ৪৫৩ ফঙদুনা অহানবা, অসামনা পূন্না পোইন্ট ৩৩৩ ফঙদুনা অনীশুবা অমদি তামিল নাদুনা পূন্না পোইন্ট ১৩৫ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি। নুপাগী কাঙলূপ্তনা অসামনা পূন্না পোইন্ট ৩৩৪ ফঙদুনা অহানবা, মণিপুরনা পূন্না পোইন্ট ৩২৪ ফঙদুনা অনীশুবা অমদি তামিল নাদুনা পূন্না পোইন্ট ২৭০ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবদা মণিপুরগী লৌখিবা গোল্ড মেদলশিং অদু– নিংঙোম্বম সুনিতা দেবীনা চহী ৩৫ মথক নুপীগী ১৫০০ মিটর ( ০৫ঃ৫৯.৭ সেকেন্দ)দা, টি শামুঙৌ মৈতৈনা চহী ৩৫ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটর ( ০৪ঃ৪২.৩ সেকেন্দ)দা, এম ইন্দিরা দেবীনা চহী ৫০ মথক নুপীগী ১৫০০ মিটর ( ০৭ঃ০১.৯ সেকেন্দ)দা, এল সৌভাবটি দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ১৫০০ মিটর ( ০৬ঃ৪৭.৪ সেকেন্দ)দা, এমদি নাজিমুদিননা চহী ৬৫ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটর ( ০৬ঃ০১.৫ সেকেন্দ)দা।

টিঐচ ইবেমহল দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী ১৫০০ মিটর ( ০৮ঃ০৮.৬ সেকেন্দ)দা, শাপম মনিমোহন সিংহনা চহী ৭৫ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটর ( ০৭ঃ৪৮.৪ সেকেন্দ)দা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৪০ মথক নুপীগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৪৫ মথক নুপীগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৫০ মথক নুপীগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৬০ মথক নুপীগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৬০ মথক নুপাগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৬৫ মথক নুপীগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৭০ মথক নুপীগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৭০ মথক নুপাগীদা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৭৫ মথক নুপাগীদা।

নিংঙোম্বম সুনিতা দেবীনা চহী ৩৫ মথক নুপীগী ৪০০ মিটর ( ০১ঃ১২.২ সেকেন্দ)দা, এল সোভাবটিনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ৪০০ মিটর ( ০১ঃ২১.২ সেকেন্দ) দা, এম প্রামো দেবীনা চহী ৬০ মথক নুপীগী ৪০০ মিটর ( ০১ঃ২৮.১ সেকেন্দ)দা, সিঐচ থম্বালশঙনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী ৪০০ মিটর ( ০১ঃ৪৩.১ সেকেন্দ) দা, এল মোচা সিংহনা চহী ৬৫ মথক নুপাগী ৪০০ মিটর ( ০১ঃ০৯.৩ সেকেন্দ)দা।

এল প্রমোদিনি দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী ৪০০ মিটর ( ০২ঃ৪০.১ সেকেন্দ)দা, টিঐচ ইবেমনুংশিনা চহী ৮০ মথক নুপীগী ৪০০ মিটর ( ০২ঃ১৫.১সেকেন্দ) দা, কেঐচ লালবাবু সিংহনা চহী ৮৫ মথক নুপাগী ৪০০ মিটর ( ০১ঃ২৮.৫ সেকেন্দ)দা, টিঐচ ইবেমনুংশিনা চহী ৮০ মথক নুপীগী কিমি ৫ গী ৱালকদা মিটর ( ৪২ঃ৪০.৪ সেকেন্দ)দা, কেঐচ প্রেমলাতা দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ৮০ মিটর হারদলস ( ২০.৭ সেকেন্দ)দা। ফুরিটশাবম তম্ফামনিনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী ৮০ মিটর হারদলস ( ২৩.৪ সেকেন্দ)দা, কেঐচ মনিচান্দ সিংহনা চহী ৭০ মথক নুপাগী ৮০ মিটর হারদলস ( ১৫.৭ সেকেন্দ)দা, লোঙজম ভুবোননা চহী ৭৫ মথক নুপাগী ৮০ মিটর হারদলস ( ১৭.১ সেকেন্দ)দা।

এস কুঞ্জেশ্বরনা চহী ৬৫ মথক নুপাগী জেব্লিন থ্রোদা ( ৪৪.১৬ মিটর), চানবম বিমোলা দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী সোট পুট ( ৫.২৩ মিটর)দা, এস থম্বাল দেবীনা চহী ৮০ মথক নুপীগী সোট পুটদা (৪.০৫ মিটর), কোইজম মঙ্গোল দেবীনা চহী ৮৫ মথক নুপীগী সোট পুটদা ( ৪.৬২ মিটর), এস সুনিতা দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী ত্রিপল জম্পদা ( ৪.৯৩ মিটর) অমদি ও রাশি দেবীনা চহী ৮০ মথক নুপীগী ত্রিপল জম্পদা ( ৩.৭৯ মিটর)দা গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা– টিঐচ লেটপু কোমনা চহী ৬৫ মথক নুপাগী ১০০ মিটর ( হারদলস)দা, এন বসান্ত সিংহনা চহী ৪৫ মথক নুপাগী ১০,০০০ মিটরদা, কেঐচ প্রেমজিৎনা চহী ৪০ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটরদা, এন বাসন্ত সিংহনা চহী ৪৫ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটরদা, ও লোকেন সিংহনা চহী ৬০ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটরদা, এস মনিহার সিংহনা চহী ৭৫ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটরদা।

৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৪৫ মথক নুপাগীদা, লুক্রাম অথৌবা মৈতৈনা চহী ৩৫ মথক নুপাগী ৪০০ মিটরদা, টিঐচ তানবী দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ৪০০ মিটরদা, থৌদাম একাশিনি দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী ৪০০ মিটরদা, এম য়াইমা সিংহনা চহী ৭০ মথক নুপাগী ৪০০ মিটরদা, কেঐচ প্রেমজিৎনা চহী ৪০ মথক নুপাগী ৫০০০ মিটরদা, এন বাসন্ত সিংহনা চহী ৪৫ মথক নুপাগী ৫০০০ মিটরদা।

পিঐচ পূর্ণিমাশি দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ৮০ মিটর ( হারদলস) দা, অবুজাম সন্ধিয়ারানি দেবীনা চহী ৬০ মথক নুপীগী ৮০ মিটর ( হারদলস)দা, এল ইনাওবী দেবীনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী সোট পুটদা, আর কে দানিসনা দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী সোট পুটদা অমদি টি য়াইমাবী দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী ত্রিপল জম্পদা মেদলশিং লৌখি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা– নোংমাইথেম ভৈগাচন্দ্র সিংহনা চহী ৫০ মথক নুপাগী ১৫০০ মিটরদা, ও গোমতিনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ১৫০০ মিটরদা, থৌদাম মোহননা চহী ৬০ মথক নুপাগী ৩০০ মিটর( হারদলস)দা, ৪ X ৪০০ মিটর রিলে চহী ৩৫ মথক নুপীগীদা, এম কিরন দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ৮০ মিটর ( হারদলস)দা, দব্লিউ তমুনা চহী ৬০ মথক নুপীগী ৮০ মিটর( হারদলস)দা, ঐচ বিনোলাতা দেবীনা চহী ৬০ মথক নুপীগী সোট পুটদা, এন সনামু দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী সোট পুটদা, এল লৈরাংতোম্বীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী সোট পুটদা অমদি অবুজাম সান্ধিয়রানিনা চহী ৬০ মথক নুপীগী ত্রিপল জম্পদা মেদলশিং লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমদি এডুকেসনগী মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম, য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমদি এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুগী প্রসিদেন্ট এল অজিৎ সিংহনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# টি–২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টদা সাইক্লোন অমদি মোদেল ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম সি ভি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ৯ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্লুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা চথরিবা ৮ শুবা টি–২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি মোদেল ক্লব চিংঙামখা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–বিগী সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি ওস্কার পাউনা বাজারনা শন্নখিবা মেটচতা সাইক্লোননা ওস্কারবু রন ৭৬ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৮৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ওস্কার পাউনা বাজারনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১১২ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৭৬ দা মায়থিবা নঙখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বেট্টিংদা শাচিকুমারনা নোট আউটতা বোল ৫৭ দা রন ৮৮, বিকোমনা নোট আউটতা বোল ২০ দা রন ৩৯, রোবিন্দ্রোনা বোল ৩০ দা রন ২৯ অমদি বিনোইনা বোল ৯ দা রন ১২ লৌখি। ওস্কার পাউনা বাজারগী বোল্লিংদা নিংহোলনা ওভর ১ দা ৱিকেট ১, দেবকান্তনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১, লালবোইনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ অমদি ভুপেন্দ্রনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

ওস্কার পাউনা বাজারগী বেট্টিংদা গোগৌনা নোট অউটতা বোল ২২ দা রন ২৬, গোরোবনা বোল ২১ দা রন ২২, ষ্টেলিনা বোল ২১ দা রন ১৬ অমদি দেবকান্তনা বোল ৮ দা রন ১০ লৌখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোল্লিংদা এল সুরজিৎনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অদুগা দব্লিউ সুরজিৎ, সুরজ অমদি বিকোমনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোল ৫৭ দা রন ৮৮ লৌখিবা শাচিকুমারনা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি এস কেজিৎ অমদি জয়েন্তনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–এগী এল সি সি সি লিল্লোং চজিং অমদি মোদেল ক্লব চিংঙামখানা শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লবনা এল সি সি সিবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১১৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা মোদেল ক্লব চিংঙামখানা ওভর ১১.২ দা ৱিকেট ১ আউট ওইরগা রন ১২০ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৯ দা মায় পাকখি।

এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী বেট্টিংদা প্রতাপনা বোল ২১ দা রন ২৬, মজিবুর রাহমননা বোল ৩৩ দা রন ২২, রাকেসনা বোল ১৬ দা রন ১৯ অমদি নন্দাকুমারনা বোল ১৭ দা রন ১২ লৌখি।

মোদেল ক্লব চিংঙামখাগী বোল্লিংদা দৌগ্লাসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২, সরতচন্দ্রনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১, সুরেসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ অমদি প্রিয়ার লালনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মোদেল ক্লব চিংঙামখাগী বেট্টিংদা সুরেসনা বোল ৩৯ দা রন ৮৫ অমদি গৌরাচন্দ্রনা বোল ২৩ দা রন ২৫ লৌখি। এল সি সি সি লিলোং চজিংগী বোল্লিংদা সরিফনা ওভর ১.২ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা মোদেল ক্লব চিংঙামখাগী ৱিকেট ১ অমদি বোল ৩৯ দা রন ৮৫ লৌখিবা সুরেসনা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি এস কেজিৎ অমদি জয়েন্তনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা টুর্নামেন্টগী মরীশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–বিগী দি এস য়ু ক্লাকৈথেল অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দনা মঙাশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–এগী চেম্প খাগেম্পল্লি অমদি মোদেল ক্লব চিংঙামখানা শান্নগনি।

# য়ং বোইজ অমদি এন কে এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ য়ুঠ মোদেন ক্লব হরাওরৌনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্লুনা চথরিবা ৯ শুবা হরাওরৌ ট্রোফি সভেন এ সাইট ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা য়ং বোইজ পুখাওনা কঙলাতোম্বী এফ সিবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা য়ং বোইজকী গোলশিং অদু এন সনাথোইনা মিনিট ১৯, ৩৩, কেঐচ উমাকান্তনা মিনিট ৪, ঐচ প্রিয়োনা মিনিট ২০ অমদি এন রাজনা মিনিট ২৯ দা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদনা এন কে এফ সি নোঙাদানা ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খুনৌবু গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা নোঙাদাগী গোলশিং অদু বিক্রমজিৎনা মিনিট ১২, ২২, পি ঐচ রাজুনা মিনিট ২৭, টিঐচ জেমসনা মিনিট ২৮ অমদি এল য়াইমানা মিনিট ৩৬ চৎপদা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচদনা লুৱাংশঙবম এফ সিনা খুন্দ্রাকপম এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা লুৱাংশঙবম এফ সিগী গোলশিং অদু সিঐচ কিসননা মিনিট ১০ অমদি ১৩দা চনখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা এস ৱাই সি শম্বৈনা কোরৌঙানবা এফ সি পাংঙ্গৈবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এস ৱাই সি শম্বৈগী গোলশিং অদু প্রিয়োবত্রনা মিনিট ১ অমদি সঙ্করনা মিনিট ১৩ দা চনখি।

মঙাশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা ৱাই এম সি (বি) হরাওরৌনা এস কে ৱাই শিনাম কোমবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই এম সি (বি) গী গোলশিং অদু অমুজাওনা মিনিট ৮, তোম্বনা মিনিট ২০ অমদি নরেন্দ্রনা মিনিট ২৪ চৎপদা চনখি।

# সহীদ মনোরঞ্জন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দি আর পি এফ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী তাকয়েলদা লৈবা সাই স্পোর্টস কম্পলেক্সতা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা ১০ শুবা সহীদ মনোরঞ্জন সিংহ নীংশিং ষ্টেট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

১০ শুবা সাহীদ মনোরঞ্জন সিংহ নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মশক নায়রবা টিমশিং অদুদি– নিসা থাংমৈবন্দ, এ এফ সি থৌবাল, মুভানলাই এঠলেটিক সাদর হিলস, য়ুনাইটেদ কজিম ব্রাদরস ( য়ু কে বি) চুড়চান্দপুর, শাগোলবন্দ য়ুনাইটেদ শাগোলবন্দ, এস এস য়ু শিংজমৈ ইম্ফাল ৱেষ্ট, দি এম রাও সেকমাই ইম্ফাল ৱেষ্ট, অমোফা মোইরাং, জি এস সি চুড়চান্দপুর, ক্লাসা কৈনৌ, এফ সি লমজাও ককচিং, ৱাই য়ু এফ সি উখুল, নাকো নম্বুল মপাল, দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিং, জে এস ৱাই সি কাঙপোকপি, নেস্লেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, ৱাই পি ঐচ য়ু, এস ৱাই সি, ই এস য়ু, ৱাফা ৱাঙ্গোই, নেসু, এ কে এস এ, য়ু পি এস এ পুখাও অমদি জি দি সি থিনুঙ্গৈনি।

# মণিপুরদগী ফুটবোল্লর ৩ খল্লক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা অন্দর–১৭ ৱুমেন’স নেস্লেল ফুটবোল টিম কোচিং কেম্পতা শরুক য়ান্নবগীদমক মণিপুরদগী ফুটবোল্লর ৩ খল্লক্লে।

খল্লক্লবা ফুটবোল্লরশিং অদুদি– নিরমলা দেবী ফাঞ্জৌবম, সিল্কি দেবী হেমাম অমদি প্রিয়াঙ্কা দেবী নাওরেমনি। হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা গৌৱাগী মারগাওদা লৈবা সিজনস হোটেল এন্দ স্পা, নিয়র জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

রিপোর্ট তৌবা মতমদা ওরিজিনেল বার্দ সার্টিফিকেট, অধার, ষ্টুদেন্ট আইদি কার্দ, ভেলিদ পাসপোট অমদি পাসপোর্ট ফোতো লোয়ন্নরক্কদবনি লোয়ননা হায়রিবা চে– চাংশিং অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা ভিরিফিকেসনগীদমক সো কোপি থাগদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

# তোপ এফ সি অমদি লাইরেম্বী এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ জেক এফ সি অঙথানা শীন্দুনা টিম ২০ না গ্রুপ–৬ থোক্লা খায়দোক্লুনা লাইট য়ুঠ ক্লবগী অঙথা ময়াই লৈকাইগী গ্রাউন্দা চথরিবা ৬ শুবা ধানবির ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ভিলেজ মেন’স সবেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা তোপ এফ সি, লাইরেম্বী এফ সি, এ এফ সি কৈরাও অমদি দব্লিউ ৱাই এল সি ও কোংবা মায় পাক্লুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা তোপ এফ সিনা জে য়ু পি এস ও সিখোং বাজারবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা তোপ এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রোনেক্সনা মিনিট ২৩ চৎপদা চনখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ–দিগী মেটচতা লাইরেম্বী এফ সিনা য়াম্বেম এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা লাইরেম্বী এফ সিগী গোলশিং অদু কেঐচ অবোইসনা মিনিট ৫, পি অরুননা মিনিট ৮ অমদি সিঐচ রোজেসনা মিনিট ২১ দা চনখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ–ইগী মেটচতা এ এফ সি কৈরাওনা অথৌবা এফ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এ এফ সি কৈরাওগী গোলশিং অদু টিঐচ লাঙম্বনা মিনিট ৫ অমদি জোনসননা মিনিট ৩৪ অমদি ৪০ প্লস ১ দা চনখি।

টুর্নামেন্টগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ–ইগী অতোপ্পা মেটচ অমদা দব্লিউ ৱাই এল সি ও কোংবনা য়াঙ্গোই এফ সি থৌবাল হাওখাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা দব্লিউ ৱাই এল সি ওগী গোলশিং অদু রাজেসনা মিনিট ২৯ অমদি এল তরুনকুমারনা মিনিট ৩৪ চৎপদা চনখি।

# এম পি এস সি অমদি চিরু এস সি ড্রো চংখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা জিরি কপ ইনভাসটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল লীগ গ্রুপকী মেটচতা এম পি এস সি অমদি চিরু এস সি গোল ২–২ দা ড্রো চংখ্রে।

এম পি এস সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ কান্তনা মিনিট ১৩ অমদি জর্সি নম্বর ১২ ৱিশুবৌনা মিনিট ৫৭ চৎপদা চনখি। চিরু এস সিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ প্রাথাংলিয়াননা মিনিট ২৩ অমদি চৌনৈখুমনা মিনিট ৮০ দা চনখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১২.৩০ দা এস পি ৱাই এ কাইরং অমদি দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংগা অদুগা নুংথিল পুং ২.৩০ দা য়ু বি এফ সি অমদি এফ সি লমজাওগা শান্নগনি।

# ৱাই আই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ দি এস ইন্টরপ্রাইজেস কৈশামথোং ইরোম পূখ্রি মপালনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুঠ ইন্টিগ্রেসন ক্লব ( ৱাই আই সি) কৈশামথোং মনিং লোঙজম লৈকাইনা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৯ দগী ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল নীংশিং অন্দর ৪০ কেজি ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা থার্দ প্লেসদা ৱাই আই সি লোঙজম লৈকাইনা থোইবা এফ সি হৈরোকপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু মারটিনা মিনিট ২০ অমদি ৩৬ চৎপদা চনখি। প্লেয়র ওফ দি মেটচনা তবিকাসনা তাখি।

# মুভানলাই এঠলেটিক অমদি জি এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিসন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা থা অসিগী ৬ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ১৫ না সিঙ্গল লেগ রাউন্দ রোবিন লীগতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯–২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মুভানলাই এঠলেটিক সাদর হিলসনা এ আই এম খাবমবু গোল ২–১ দা অমদি অতোপ্পা মেটচ অমদনা জি এস সি চুড়চান্দপুরনা এস এস য়ু শিংজমৈবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফঙনখ্রে।

লীগ অসিগী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এ আই এম খাবম অমদি মুভানলাই এঠলেটিকনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা এ আই এমনা গোল মাঙজিল থাদুনা চৎলম্লবসু মুভানলাইনা গোল হন্দাক্লুনা মেটচ অসি মায় পাকখিবনি।





শান্নখিবা মেটচ অসি অঙনবা মিনিট ৪ দা এ আই এমগী টিঐচ হেম্বনা খায়রকপা বোলদা জর্সি নম্বর ১৩ এস জোনি কোমনা গোল ওন্থোক্লুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মুভানলাই এঠলেটিকনা শোখরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকপা মখোয়গী মিড ফিল্ড শান্নরোইশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা বোল পোসিসন হেন্না শান্নরকখিবনা এ আই এমনা গোল হন্দোকহন্দবা হোৎবদা অৱাবা অমা ওইখি।

অদুবু মুভানলাইনা চখরকখিবা এটেকশিং নীংথিনা এ আই এমনা থিংবা ঙমহৌদবনা মিনিট ৩২ চৎপদা মুভানলাইগী ক্লিবেন মারনা গোল এটেম তৌবদা গোল কিপ্পর মাঙতেনা ঙাকথোক্লুনা থক্তোরকখিবা বোলদা জর্সি নম্বর ২৪ লুনজিথাং কিপজেননা গোল ওন্থোক্লুনা ১–১ দা মান্না লৈখি।

গোল মান্নরবা মতুংদসু মুভানলাইনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরকখিবনা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ৪৪ দা মুভালাইগী জর্সি নম্বর ২৩ সোমপু সিংশিৎনা য়েৎ থংবা মখোঙ শীজিন্নদুনা হৈ শীংন্না দিফেন্দর ৩ লাম্থোক্লুনা পূশিনলকখিবা বোলদা মশামক্লা নেটকী অহাঙবা মনুংদা কাওশিন্দুনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–১দা মাঙজিল থাখিবা মতম অদুদা ষ্টেদিয়ম অসিদা তিনখিবা মুভানলাইগী য়াল্লবা ভাবোকশিংগী হরাওবগী খোঞ্জেলনা নীনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এ আই এমনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু মুভানলাইগী ইমান্যুয়েল ইনতাওটেনা লুচিঙবা দিফেন্স লাইননা মখোয়গী টিমবু মেটচকী অরোয়বা মীকূপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা শান্নখিবনা মায় পাকপগী আচেৎপা য়ুম্ফম থোনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা এ আই এম খাবমগী জর্সি নম্বর ১৯ এল লোয়াঙম্বাদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কেঐচ রঞ্জিৎ, আর কে অঙোসনা, এন অমরজিৎ অমদি এল রাজানা মথং শীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

১৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এস এস য়ু শিংজমৈ অমদি জি এস সি চুড়চান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা চুড়চান্দপুরগী গোলশিং অদু সোলোমোন অমদি সাগৌথাংনা চনখি। অদুগা মায়থিরবা এস এস য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা চিঙ্খৈঙানবনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী পুঙ্খায় ফাওবদি নাকল অনীনা মপাঙ্গল ফুদোকপা ঙম্মদনা শান্নখি অদুবু হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইদা জি এস সিনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নরকখিবনা মিনিট ৪৩ দা সোলোমোননা অমদি থংন্নবা মিনিটতা সাটগৌথাংনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৭৫ দা এস এস য়ুগী চিঙ্খৈঙানবনা গোল হন্দোকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা জি এস সি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ১৫ জাঙনৈথাংদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই হেমন্ত, ৱাই ইঙোবী, কে অজিৎ অমদি কেঐচ রঞ্জিনি মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com